ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিও পেরালিম্পিক্স ২০২১দা মায় পাক্লক্লবশিংগা উনখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

মমাংথাগী ২৪দগী শান্নবা হৌরগা থা অসিগী ৫দা লোইশিনখিবা টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা মায় পাক্লক্লবা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অদুগা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দেল্লীদা উনদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেরা এথলিটশিং অদুনা পেরালিম্পিক্সকী পুৰারীদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু টোকিও পেরালিম্পিক্সতা উৎপা ঙমখি। কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিসিপ্লিন ৫দা পেরা এথলিট ১৯না শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল ২, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংলগা পূন্না মেদল ৪ ফংখি। মদুগী মমাংদা কুমজা ২০১২ লন্দন পেরালিম্পিক গেমসতা দিসিপ্লিন ৪দা পেরালিম্পিয়ন ১০না শরুকয়াখিবদা সিলভর মেদল অমখক ফংলকখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০০৪ এথেন্স পেরালিম্পিক গেমসতা দিসিপ্লিন অনীদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়ন ১২গী মনুংদা এথলিট ২না গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংলকখি।

ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক পুৰারীদা ইহান হানবা ওইনা ১৯৬৮দা ইজরেলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখি। মদুদা কম্পিটিটর ১০না শরুক য়াখিবদা মেদল ফংবা ঙমখিদে। কুমজা ১৯৭২ দা ৰেষ্ট জর্মনি (হৌজিক্লা জর্মনি)গী পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী কম্পিটিটর ১০না শরুকয়াবদা গোল্ড মেদল ১ লৌখি। কুমজা ১৯৮৪ ন্যু য়োর্ক সিটিদা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক্স অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেরালিম্পিয়ন মঙা শরুক য়াখিবদা সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংবা ঙমখি। কুমজা ১৯৮৮ সিওল পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী এথলিট অনীখক শরুক য়াখি। মদুদা মেদল লৌবা ঙমখিদে। কুমজা ১৯৯২ বর্সেলোনা পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিট ৯না শরুক য়াবদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। কুমজা ১৯৯৬ অটলান্টা পেরালিম্পিক্সতসু ইন্দিয়াগী অপূনবা পেরালিম্পিয়ন ৯না শরুক য়াখিবদা মেদল ফংদনা লাকখি। কুমজা ২০০০ সিদনি পেরালিম্পিক গেমসতসু ইন্দিয়াগী এথলিট ৪ শরুক য়াখিবদা মেদল ফংবা ঙমদনা লাকখি। অসুম্না ইন্দিয়াগী লৈরিবা পেরালিম্পিককী পুৰারী অসিদা টোকিও ২০২০ পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা পূন্না দিসিপ্লিন ৯দা এথলিট ৫৪না শরুকয়াদুনা খ্বাইদগী মশীংয়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট ওইখিবতা নৎতনা পূন্না গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ য়াওরগা মেদল ১৯ ফংদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইবা ঙল্লি।

টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী নুপীগী ইন্দিভিজ্যুএল ক্লাস ফোর ইভেন্টতা সিলভর ফংদুনা অহানবা মেদল ওইখি। মখা তারকপদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলিটশিং অদুদি শুটিংগী অভানি লেখরা, জেভলিন থ্রোগী সুমিট অনটিল, শুটিংগী মনিশ নর্ৰাল, বেদমিন্টনদা প্রমোদ ভগট অমসুং কৃষ্ণ নগরনি। মখা তানা সিলভর মেদল ৭ হাপচিল্লগা ব্রোঞ্জ মেদল ৬ ফংদুনা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়ন ১৯না মেদল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী মায়থীবা পীদুনা মৈরাবা লুৰাং ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনলগী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

খার্কিভ, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

নৌনা সিনিয়রগী লেভেলদা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমা মায় পাকখ্রবা মতুং য়ুক্রেনগী খার্কিভ সিটিদা লৈবা লোকোমোটিভ স্পোর্টস পেলেসতা পাঙথোক্লিবা ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২১দা মাইস্নাম মৈরাবা লুৰাংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২ মায়থীবা পীরবা মতুং সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা মাইস্নাম মৈরাবা লুৰাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী ওলেক্সান্দর স্মুনদিয়াকপু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখিবনি। ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় চিরাগ সেনবু ইৰা ৰাদনা স্ট্রেট গেম অনীদা থোইখি।

চিরাগ সেনগী মশান্না অদু মৈরাবনা হৌবদগী লাকশিন্না শান্নবা ঙমদুনা ২১-১২দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা গেম অদুদনা হেন্না ফজরকপদগী চিরাগ সেনগী মায়কৈদগী শুপ্পগী পোইন্ট ৯ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা মৈরাবা লুৰাংনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী মেটচ অদু মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মৈরাবা লুৰাংনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কেভিন অরোক্যা ৰাল্টরগা লন্বা তৌনখি। মেটচ অদু মৈরাবনা ফজবা হেনখিবনা মরম ওইদুনা অরোক্যাগী অশোনবা মফমশিং অদুদা অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা শুপ্পগী মিনট ২৭তা স্ট্রেট গেম ২দা মায় পাক্কুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু মৈরাবনা পোইন্ট ২১-১৪দা থোইখি। গেম অদুদা পোইন্ট ১২-১২ ফাওবা মান্নরম্বদগী শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট ১৪-১৪ ফাওবা অমুক মান্নরকখি। মদুদগী মৈরাবনা পোইন্ট ৭ থংন-থংননা লৌবা ঙমখিবদগী ২১-১৪দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদু মৈরাবনা পোইন্ট ৮-৮দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী কেভিন অরোক্যাগী মায়কৈদগী পোইন্ট ২ ফংলক্তুনা শান্নরোয় অনীমক ১০-১০দা লৈনখি। অদুবু অহানবা গেম অদুদগী হেন্না ফজরকখিবা মৈরাবনা মখা তারকপা পোইন্ট ১১ লেপ্পুনা লৌরকখিবা অদুনা অনীশুবা গেম অদু মহাক্না ২১-১০দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মৈরাবনা সেমীফাইনেলদা য়ুক্রেনগী দানিলো বোস্নিক অমদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রিয়ান্সু রাজাৰট অনীগী অথোইবগা লন্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সটিশ কুমারসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না হঙ্গেরিগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অদুগী ৮শুবা সিদেদ ইভান রুসেবপু গেম ৩দা ১৯-২১, ২১-১৮, ২১-১৫দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। অদিয়া ভরিয়াটনা ৫শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইৰা শর্ম্মাবু ২১-১৫, ২১-১৭তা থোইখি। অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ মালভিকা বনসোটনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনুপামা উপধ্যায়পু ২১-১৬, ২১-১৮দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌননবা য়ুক্রেনগী পোলিনা বুরোভাগা লন্বা তৌনরগনি।

সয়দ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

বেদমিন্টন ৰর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) অমসুং বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই)না ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা সয়দ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২১ কেন্সেল তৌখ্রে।

মথং থাগী ১২দগী ১৭ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা বেদমিন্টন ৰর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৰর্ল্ড টুর সুপর ৩০০ ইভেন্ট অমা ওইরিবা সয়দ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ওইবা লাইচৎ অসি য়েংলগা কেন্সেল তৌখিবনি হায়না বেদমিন্টন ৰর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বেদমিন্টন মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৰাংবা লূপ ওইরিবা বেদমিন্টন ৰর্ল্ড ফেদরেসননা লৌরকখিবা ৰারেপ অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ষ্টেট অদুগী লোকল ওথোরিটিশিংগা কুপ্পা খন্নরবা মতুং খোঙথাং ওইনা পায়খৎলকপনি।

বি দব্লিয়ু এফকী মায়কৈদগী সয়দ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপদা নুংঙাইতবা ফাওই হায়বগা লোয়ননা চহী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা শান্নরোয়শিংগী শাফনবা য়েংলগা অমদি ৰর্ল্ড টুরগী লেমহৌরিবা সেরিজশিং অদু মফম-মতম চানা পাঙথোক্লনবা থবক লৌখৎলি হায়রকখি।

ফেদরেসন অসিনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট খক্তা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়া অমসু কোভিদ-১৯গী ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখিবনি।

ৰর্ল্ড নম্বর ৰান নোভাক জোকোবিচনা নম্বর ফোর শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেভকা নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেল থেংনরগনি

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

মালেমগী নুপাগী টেন্নিস মশান্নগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৰান শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা সেরিজগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা লন্বা তৌনরগনি।

জোকোবিচনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুকয়ারকখিবা মাটিও বেরেটিনিগা লন্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু বেরেটিনিনা ৭-৫দা থোইখ্রবা মতুং জোকোবিচকী মায়কৈদগী মখা তারকপা লন্বা অদুদা হেন্না ফজরকপদগী থংন-থংননা সেট অহুম থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি। অনীশুবা সেট অদুদা জোকোবিচনা বেরেটিনিগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। অহুমশুবা সেট অদুসু চপ মান্নবা স্কোর ৬-২দা থোইরগা সেট ২-১ মাঙজিল থারবা মতুং মরিশুবা সেট অদুদা ৬-৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি।

জোকোবিচনা সেমীফাইনেলদা লন্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হেরিশপু স্ট্রেট সেট অহুমদা ৭-৬(৮-৬), ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাকখিবী গ্রেট বৃটেনগী এম্মা রাদুকানু অমসুং গ্রিসকী মারিয়া সক্কারি সেমীফাইনেলদা লন্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র ওইনা শান্নবা য়াওরকখিবী এম্মা রাদুকানুনা ১১শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু স্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিস্কোভাবু ১৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী গ্রিসকী মারিয়া সক্কারিনা অকনবা লন্বা তৌনখিবা অদুদা সেট অনী থংন-থংননা ৬-৪, ৬-৪দা থোইখি। মিক্স দবলসতা মেক্সিকোগী গুলিয়ানা ওলমোস অমসুং অর্জেন্টিনাগী মার্সেলো এরিভালো ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না য়ুক্রেনগী দয়ানা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মেক্সপু থোইরম্বনি।

এ এফ সী অমসুং এ আই এফ এফনা তেকচম রঞ্জিতা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৭তগী ২৫ ফাওবা উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) ৰিমেন্স এসিয়ন কপ ইন্দিয়া ২০২২গী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা রেফরি ওইনা থবক তৌননবা তেকচম রঞ্জিতা খনখ্রে। লোয়ননা ওক্টোবর ৪দগী ২৩ ফাওবা কর্নাটাকাগী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়িংগী ফাইনেল রাউন্দগী মেটচশিং অদু কন্দক্ট তৌননবা খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুরগী তেকচম রঞ্জিতানা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা রেফরি ওইনা থৌ পুগদৌরিবা অসি ইন্দিয়াগী অৰাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা ইহান হানবা নুপী রেফরি ওইরি।

মীখল য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর রোৰিং এসোসিএসনগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবা জেনরেল ইলেক্সন অদু লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিককী ফীভম অসিনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা পেন্দমিককী ফীভম ফগৎলক্লবা মতুং এগজিক্যুটিভ বোদি মীফম অমা পাঙথোক্লগা জেনরেল ইলেক্সন অদুগী মতম লেপ্পগনি হায়রি।

ইংলেন্দ অমসুং পোলেন্দ দ্রো চৎখ্রে, জর্মনি, ইটালি, স্পেন অমসুং বেলজিয়ম মায় পাকখ্রে

ৰারসো, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী ওইবা ফিফা ৰর্ল্ড কপ ২০২২গী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা গ্রুপ আইগী ওইনা ইংলেন্দ অমসুং পোলেন্দ দ্রো চৎখ্রে। গ্রুপ জেদা জর্মনিনা আইসলেন্দ থোইখ্রে। গ্রুপ সীদা ইটালিনা লিথ্বানিয়াবু মায়থীবা পীখ্রে। গ্রুপ বিদা স্পেননা কোসোবোবু থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা গ্রুপ ঈদা বেলজিয়মনা বেলারুসপু থোইখ্রে।

পোলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং ৰারসোদা লৈবা নেসনল ষ্টেদিয়মদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন ফিফা ক্বালিফিকেসনগী গ্রুপ আইগী মেটচ অদুদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী হেরিকেননা অহানবা পাঞ্জল অদু ৭২শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা পোলেন্দগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদুনা ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা দেমিয়ন সিমানস্কিনা চনখি।

আইসলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা জর্মনিগা গ্রুপ জেগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা জর্মনিগী মখূৎতা ০-৪দা মায়থীবা নংখি। জর্মনিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা সর্জে নাব্রি অমসুং এন্টোনিও রুদিগরনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা জর্মনিগী মায়কৈদগী লিরোই সেন অমসুং টিমো ৰর্নরনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

গ্রুপ সীদা ইটালিনা য়ূম্বু ওইরগা লিথ্বানিয়াগা লন্বা তৌনবদা ৫-০দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা হাফতা ইটালিগী মোইস কিয়াননা পাঞ্জল ২, অদুগা জিয়ান কোমোনা পাঞ্জল ১ চনখি। মদুগী মরক্তা লিথ্বানিয়াগী এগারাজকী ওন গোল অমা য়াওরগা ৪-০দা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা ইটালিগী রোরেঞ্জোনা ১ চল্লগা ৫-০দা থোইখি।

গ্রুপ বিদা স্পেনগী পাব্লো অমসুং টোরেসনা চনখিবা পাঞ্জলনা কোসোবোবু ২-০দা থোইখি। অদুগা গ্রুপ ঈদা বেলজিয়মনা বেলারুসপু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

রেফরি রিক্রুটমেন্টকী ওফিসল খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২৭তগী ২৯ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন কামজোংগী রেফরি রিক্রুটমেন্টগীদমক্তা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ইন্সট্রক্টর ওইনা আই রবিচন্দ্র অমসুং এম মাঘোবু খল্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্সট্রক্টরশিং অদুনা সেপ্টেম্বর ২৬তা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন কামজোংগী জেনরেল সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি। লোয়ননা ইন্সট্রক্টর অনীগী ট্রাভেলিং এলাৰেন্স/ দিয়রনেস এলাৰেন্সশিং অদু কামজোং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা পুথোক্কদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

অম্ফানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না পাঙথোক্কদৌরিবা সন্তোশ ট্রোফি টিম অমসুং সিনিয়র ৰিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্মনবগী কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক্তা ইম্ফালগী ইরাবত রোদতা লৈবা জয় ইষ্টেটকী অহুমশুবা ফ্লোরদা লৈবা এ জেদ টি ঈ সী এস স্পোর্টসকী প্রোপাইটর থাংজম পর্মানন্দনা কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক্তা বোল ২০ স্পোন্সর তৌবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনেরল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স মায়থীবা পীখ্রে, অসাম রাইফলস মায়থীহৌরে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

ৰেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নরিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স ফুটবোল টিমবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে। অদুগা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা অসাম রাইফলস ফুটবোল টিম আর্মি রেদ ফুটবোল টিমগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

কল্যানি ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নখিবা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ অমসুং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স টিমগী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমগী মতম অদু এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ২২শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী পেদ্রো জেভিয়রনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং মিনট ৬ লৈরগা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা য়ুম্নাম গোপিনা ২৮শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লৈখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মায়কৈদগী ভিবেক কুমারনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ভিবেক কুমারনা অমুক্কা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মেটচকী মখা চথরকপা ৭২শুবা মিনটতা য়ুম্নাম গোপিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা টিমমেট পেদ্রো জেভিয়রনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স টিমবু এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা ৪-২দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা অসাম রাইফলস ফুটবোল টিম আর্মি রেদ ফুটবোল টিমগী মখূৎতা ১-৪দা মায়থীখি।

পূন্না মেদল ৩৪ ফংলক্লবা মণিপুরগী কুদো শান্নরোয়শিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস):

হিমাচল প্রদেশকী সোলন দিষ্ট্রিক্টকী গান্ধীগ্রামদা লৈবা গ্রীন হিলস কোলেজ ওফ ইঞ্জিনীয়রিংদা থা অসিগী ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১১শুবা কুদো নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমসুং অহানবা কুদো ফেদরেসন কপ ২০২১দা গোল্ড মেদল ১৪ য়াওনা পূন্না মেদল ৩৪ ফংলক্লবা মণিপুরগী কুদো শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকখ্রে।

মণিপুরগী কুদো টিম অসিবু লুচিংখিবা জুদো কোচ দেবেন মোইরাংথেমনা লুচিংবা মণিপুর টিমনা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবগা কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রোমেন লোয়ননা সেক্রেটরি এল সিংহজিৎনা লুচিংবা এসোসিএসন অসিগী থৌমীশিং অমদি শান্নরোয়শিং অসিগী মমা-মপাশিংনা লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখি।

১১শুবা কুদো নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস জিবন, সী ঐচ মহাদেব, ঐচ হেনা, এস নেহা, এস লনচেনবী, এন জি দয়ারানী অমসুং পি পারিহনবনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী সিলভর ফংখিবশিং অদুনা এস পুস্পা, টি ঐচ অরুন, অনাল ঐচ এ কে, কে ঐচ শিন্থোই, সী ঐচ রোজিয়া, ঐচ সঞ্জিৎ অমসুং এস বোরিশনি। অদুগা ব্রোঞ্জ ফংলকখিবা শান্নরোয়শিং অদুনা টি সুরজ, পি এম ৰাহিদুর, টি সুরঞ্জয় অমসুং এম লায়েন্দানি।

হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোকখিবা অহানবা ওপন ফেদরেসন কপতা শরুকয়াবদা, গোল্ড মেদল ফংলক্লবা মণিপুরগী কুদো শান্নরোয় ৭ অদুদি টি সুরজ, কে ঐচ শিন্থোই, এন জি দয়ারানী, টি ঐচ সোমোর্জিৎ, এস বোরিসন, এস নেহা অমসুং সী ঐচ রোজিয়ানি।

লোয়ননা ফেদরেসন কপ অদুদা সিলভর ফংখিবা মণিপুরগী কুদো শান্নরোয় ৫ অদুদি, কে ঐচ পামুবা, এম লায়েন্দা, কে ঐচ বিকাশ, ঐচ হেনা অমসুং এস লনচেনবীনি। অদুগা অহানবা ওপন ফেদরেসন কপ অদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ ফংলক্লবা কুদো শান্নরোয় ৪ অদুদি, দব্লিয়ু বিদ্যারানী, কে ঐচ খোরিফাবা, এল জোন অমসুং এম ভানদামনি।

মণিপুরগী টিম অসি পূন্না নুপা শান্নরোয় ২২ অমসুং নুপী শান্নরোয় ১২গা লোয়ননা ওফিসল ১গা য়াওখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 225

Just, Anita (1944) - Reck, Jessica (1692)
GER-ch Women 2021 Magdeburg, 2021.07.25

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Qb6 5.Nb3 Nf6
6.Nc3 e6 7.Be3 Qc7 8.a3 d6 9.Be2 Be7 10.O-O a6
11.a4 b6 12.f4 O-O 13.Bf3 Bb7 14.g4 Nd7 15.g5 Rfe8
16.Bg2 Nc5 17.Nd4 Rad8 18.Qh5 Bf8 19.Rf3 g6 20.Qh4 Nxd4
21.Bxd4 e5 22.Be3 exf4 23.Bd4 Nd7 24.Rh3 h6 25.gxh6 Kh7
26.Qxf4 Ne5 27.Rf1 Rd7 28.Rf2 Bc8 29.Nd5 Qc4 30.Nf6+ Kh8
31.Nxe8 Qxd4 32.Qf6+...

QUESTION :

White to Win

Puzzle 224 Ans. :

42. ...Rc1+ The black rook decoys White's king.43.Kxc1 d2+
44.Kb1 d1=Q+ The black queen deflects White's rook away from protecting the queen.
44...d1=R+ The black rook deflects White's rook away from protecting the queen.45.Rxd1 Qxd1# Backrank mate
45...Qxf2 45.Rxd1 Qxd1# Backrank mate

Chess terms explained

In back-rank mate, a rook or queen checkmates the king on the back rank. The king cannot escape to the next rank, because it is blocked in by its own pieces.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com